**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-01-2026)**

**রেল্লি(এল)ঃ** চহি তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিংদুনা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) না থাবুম অমা চুপা চত্থরিবা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা ঙসি চাকা অনি পানবা গাড়িশিংগী রেল্লি অমা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদগী লমথাখ্রে।

রেল্লি অদু য়ু.পি.এফকী এদভাইজর-খোমদ্রাম রতননা লমথাখি। রেল্লি অসিনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা মতুংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মোইরাংদা থুংখ্রে। মফম অদুদা অহিং লেল্লবা মতুং হয়েং ককচিং অমসুং থৌবাল ফাওদুনা লাক্লগা মনিপুর কলেজতা থুংগনি। মসিগী মতুং থা অসিগী ৯ দা মনিপুর কলেজতগী মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা লংথাবালদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লবা মতুং মীয়ামগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা থাবুম পালন অসি লোয়শিনগনি হায়রি।

**রেলৱে (এল)ঃ** জিরিবাম-তুপুল ইম্ফাল রেল লম্বী ইন্সপেক্সন তৌরিবা রেলৱে সেফতি কন্মিস্নার-সুমিত সিংহালনা লুচিংবা রেলৱেগী ওফিসিএলশিং ঙসি নোনে জিলাগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসন য়েংশিনবগী থবক চত্থখে।

টিম অদুনা থা অসিগী মঙাদা বঙ্গাইচুনপাউদা লৈবা রাণি গাইদিনলিয়ু ষ্টেসনদা চৎতুনা য়েংশিনখি। ঙরাংনা থিঙৌ ত্রেন সব-ষ্টেসনদা চৎতুনা য়েংশিনখি। ঙসি অরোইবা নুমিৎতা খোংশাং ত্রেন ষ্টেসনদা থুংলখিবনি। ঙসি নোনে জিলাগী খোঙশাং ত্রেন ষ্টেসন অমদি বঙ্গাইচুনপাউগী রাণি গাইদিনলিয়ু ষ্টেসন অনিগী মরক্তা রেল চেলহন্দুনা ত্রাইয়েল চত্থখি। ইন্সপেক্সন টিম অদুনা

ফিভম অদু অশোয় অঙাম থোক্ত্রে খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রবদি অথুবা মতমদা সার্ভিস হৌহন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

**সঙাই(এল)ঃ** ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ এমেন্দমেন্ট ২০২২ গী ইনদেঞ্জরদ মেমেলস ওফ ইন্দিয়াগী সেরিএল নম্বর ৬৪ দা মনিপুরগী সঙাইবু মনিপুর ব্রো এন্টলর দিয়ার-সঙাই হায়বগী মহুৎতা মনিপুর ব্রো এন্টলর দিয়ার-থামিন হায়না য়াওরিবা অসি অরানবনি। সঙাইবু থামিন হায়না মিংথোল্লকপা য়ানিংদে হায়না ইনভাইরোনমেন্টেল সোসিএল রিফোরমেসন এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরম-কৈবুল লমজাউনা হায়রি।

সঙাইবু নুংশিবীদুনা মরি লৈনবশিংনা থামিন হাপচিনবীগনু হায়নসু ফোরম অসিনা আপিল তৌরি।

**ৱার্কসোপ (এল)ঃ** নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি (এন.ই.পি) ২০২০ গী মখাদা চহি ৪ গী অন্দর গ্রেজ্‌য়েট প্রোগ্রামগী অনৌবা সিলেবসকী মতাংদা ভাব তাহন্নবা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিভরসিতি অসিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা শিনবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট সাইন্সকী দিনসু ওইরিবা কমিতি ফোর ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ এন.ই.পি ২০২০ (য়ু.জি)গী চেয়ারমেন প্রোফেসার শোইবম জিবোন কুমার সিংহ, য়ুনিভর্সিতি অসিগী কন্ট্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্স তোকপম শান্তিকুমার সিংহ অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজশিংগী ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ অসিদা টেকিকেল সেসন অনি খাইদোক্তুনা অখঙ অহৈশিংনা চে পাথোকখি।

**কন্মিসন(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী হৈরোক এরিয়াদা অঙাং অমবু তমথিনা ফুবিখি হায়বগী পাউ ফংবদগী মনিপুর কন্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা কোগনিজেন্স অমা লৌখৎতুনা ফেক ইনক্কারি চথখ্রে।

চহি ১১ খক্তা ঙায়রিবা অঙাং অদু ইমুং মনুংগী মীওই খৎনরকপদগী তমথিনা অঙাং অদুদা ফুবি-চৈবীখি, অঙাং অদু কা হেন্না শোকখিবনি। মরম অদুনা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, এস.পি. থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট অমদি চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতিনা অঙাং অদুগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা কন্মিসননা খঙহনখ্রে।

**কন্দেম(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন ঙানুকোনদা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-মীয়ামদা অকি-অখঙ পোকহনবা অসিগুম্বা টেরোরিষ্টকী থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীয়ু। মখা তানা মীয়ামগী লন-থুম অমদি পুন্সি ঙাক শেন্নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** মশক খঙদবশিংনা য়ুম্লক্তা বোম থমজিল্লম্বগী মায়োক্তা ঙসি কোংবদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন অমসুং কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই ৱিমেন্স এসোসিয়েসননা পুন্না শিনবনি।

ৱাকৎ মীফম ফল্লিবশিংনা য়ুম্লক্তা বোম থমজিল্লম্বা য়ানিংদে, মীচম মীয়াম হিংনবগী হক পীবিয়ু, ঈ মশেলগী লান তোল্লুসি হায়বনচিংবা প্লে কার্ডশিং পায়খি।

**কোকোমি(এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রিতি (কোকোমি) গী ওফিসিএল ৱেব সাইট অমা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা ৱেব সাইট অদু হাংদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-ৱেব সাইট অসিদা কোকোমিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংগী ফোটো অমদি ভিদিও য়াওনা মরিক চুম্বা ৱারোলশিং থাগৎকনি। ৱেব সাইট অসিদা মীয়ামনা কোকোমিদা সজেসনশিং পীরকপা য়ানবা মফম অমসু হাপলি।

**আইসিএআর(এল)ঃ** আই.সি.এ.আর. ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা স্পিসিএল দিষ্ট্রিক্ট অভিয়ান কম সরপন্স সমেলন ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ভিক্সিত ভারত জি-রাম-জিগী মখাদা জিলা অসিগী খুঙ্গংশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমদা মীয়াম হেন্না শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা সমেলন অসি পাঙথোকপনি। সমেলন অসিদা জিলা অসিগী জিলা পরিষদ মেম্বর মঙা, প্রধান ২০, লৌমী লুপকী লুচিংবশিং অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ডে(এল)ঃ** রিমস ফয়ারিং ভিক্তিমস মেমোরিএল ওবজারভেসন কমিতিনা শিনদুনা ঙসি রিমস ভিক্তিমস মেমোরিএল স্কার, লমফেলপাৎতা লৈবা রিমস ফয়ারিং ভিক্তিসম মেমোরিএল ডে পাঙথোকখ্রে।

১৯৯৫ গী জানুৱারী তরেৎতা রিমস কেম্পস মনুংদা সি.আর.পি.এফ. জৱানশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদ্রবা মীওই ৯ গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা, হৈকৎ লৈকৎ তম্বনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**হেলথ(এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি ইম্ফালগী কলেজ ওফ ফুদ টেকোলোজিগী মেদিকেল য়ুনিটতা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ২০২৫-২৬ কী চহিগী হেলথ চ্যেকঅপ কেম্প ঙরাংদগী হৌখ্রে।

সি.এ.য়ুদা পাঙথোকপা হেলথ কেম্প অসিদা অহানবা ওইনা ইনফ্রা রেদ ভেন ফাইন্দর শিজিন্নরি।

**আশা (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল আশা কনভেন্সন ২০২৫-২৬ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ.দি.এম. কে. যাদুমণি, চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এন.জি. দয়াবতি, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসার-ডা: ৱাই. কেশ্বোরজিৎ অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা আশাশিং অমদি আশা ফেসিলিটেটরশিংদা সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনাসু য়েন্থোকখি।

**কলেজ(এল)ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসন অমদি হিন্দি টিচরস ত্রেন্নিং কলেজতা রিগুলর প্রিন্সিপাল লৈতবা অমদি লৈফম থোকপা ওজাশিং লৈহল্লু হায়বা দাবী তৌদুনা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মনিপুর (দেসাম) গী থৌমীশিংনা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপালগী কা ছো লোনশিনখ্রে।

লৈঙাক্কী মীৎয়েং চংবা ৱাৎপগী থৌওংনা ত্রেন্নিং কলেজ অনি অসি করিগুম্বা রিকোগনেসন ককখিবা থোক্লবদি লমদম অসিগী ওইনা মাংজবনি অমদি মসিগী দায়ত্ব লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পুগদবনি হায়না দেসামনা হায়রি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিং উন্নদুনা আউটরিটচ প্রোগ্রাম কয়া মথং মথং চথদুনা লাক্লি।

হেদক্বাটর আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-ঙসি থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মীওইশিং, সোসিএল মেদিয়া

ইনফ্লুয়েন্সরশিং, ৱারোইচিংদা লৈবা য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লবকী মীওইশিং, চ দ্রখোংগী ভিলেজ ওথোরিতিশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মসিগী মথক্তা সঙাইথেলদা লৈবা ভোকেস্নেল গাইদ স্কুলগী প্রিন্সিপাল, ওজা অমসুং মহৈরোইশিংগা উন্নখি। ইরেংবম হায়স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ভিলেজ চীফশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। থৌরাং অসি সেক্যুরিতিগা মীয়ামগা অনিগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা লৌখৎপা খোঙথাংনি হায়রি।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী লৈখিদ্রবা এক্স-সার্ভির্সমেনশিংগী নুপীশিংগীদমক থা অমা চুপা চথুগদবা ফি তুবগী ত্রেন্নিং ঙসিদগী জিলা অদুদা হৌদোকখ্রে। মসি অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন ইনিসিয়েটিবকী মখাদা হৌদোকখিবনি। নুপীশিং অদু মশানা মশাবু থবক পীজদুনা শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি পায়খৎপনি।

**ফিল্ম(এল)ঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লৈরিবা সিনেমা হোলশিং, পাব্লিক হোলশিং অমদি ওদিটোরিয়মশিংনা সিনেমাত্রোগ্রাফট এক্ট-১৯৫২, সিনেমাত্রোগ্রাফট সার্টিফিকেসন রুলস-২০২৪ অমদি অতৈ নিয়মশিং ঙাকা চৎনবা সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ ফিল্ম সার্টিফিকেসননা এদভাইজরি থোকখ্রে।

করিগুম্বা নিয়মশিং অসি ঙাক্তবশিং আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

**সরেন্দরঃ** ছাতিসগরগী সুখমা জিলাদা নেক্সলাইট ২৬ খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ১৩ অমদি মখোয়গী মশক মমিং তাকপা ঙম্বদা লুপা লাখ ৬৫ মনা পীনবা লাউথোকখ্রবশিংনি হায়রি।

জিলা অদুগী এস.পিনা হায়-ঙসি চংজরক্লবা নেক্সলাইটশিং অদুগী মনুংদা

নুপী কাদর ৭ য়াওরি। মখোয় পিপলস লিবরেসন গোরিরা আর্মি বটালিয়নগী কাদর ঙাক্তনি। উরিষ্যাগা লোন্নবা ছাতিসগরগী শিমনা পরিং অমসুং তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হিংশাগী থবক চথবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। চংজরক্লবা কাদরশিং অদুদা রাজ্য সরকারগী খুন্দা লৈতাহনবগী থৌশিল মখাদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ তেংবাং ওইনা পীরে। মখা তাবা নিয়মগী মতুং ইন্না খুদোংচাবা কয়া পীরগনি হায়রি।

**কনফরেন্সঃ** নুমিৎ হুমনি চথগদবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্ট-আই.আই.সি.দি.ই.এম-২০২৬, থা অসিগী ২১ দগী ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌরগনি।

মীফম অসি ইলেক্সন কন্মিসনগী মখাদা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্টনা ইন্টরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্তোরেল এসিষ্টেন্টসনা পুন্না শিনবনি।

**জয়শঙ্করঃ** লৈবাক অসিদা টেরোরিজমগী থবক চথবদা মতেং পাংনবা পাকিস্তাননা চহি লিশাং শিংনা ত্রেন্নিং কেম্পশিং পাঙথোক্লি হায়না মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা পাকিস্তানবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

লমজেমবর্গতা ঙসি মফমদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগা ৱারী শান্নবদা ডা: জয়শঙ্করনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-ঙসিগী মালেম অসিদা লৈবাক খরদি মশাগী কান্নবগী থবক্তমক তৌই। অদুগা, ভারত্তা লেমা পাউতাক পীনবা হোৎনরি।

মন্ত্রিনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরগী মতমদসু চপ মান্নবা থৌওং চথখি।

**পোলো ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ষ্টেট লেবেল পোলো টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬ কী নুপীগী কাংলুপকী চেম্পিয়ন চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা

ওইখ্রে।  অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমনা রন্নরস অপ তাখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা জ্নিয়ার বোইজ অন্দর সিক্সতিনগী ফাইনেল মেটচতা আরবিন পোলো ক্লব টিম (এ) না এম.এম. রাইদিং স্কুলবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমবু পাঞ্জল ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি।

জ্নিয়ার বোইজ অন্দর সিক্সতিনগী ফাইনেল মেটচতনা-আরবিন পোলো ক্লব টিম (এ) না এম.এম. রাইদিং স্কুলবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খাঙবোক পার্ট-থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা কে.এ.এস.সি. খোমিদোকনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন-১১৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা-এন.সি.এ.নিংথৌখোংনা য়ু.সি.সি. কাংচুপ রোডপু ৱিকেট অনিদা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা মেটচ মরি শান্নবদা মেটচ অহুম মায় পাক্তুনা অমনা তাই ওইরগা পুন্না পোইন্ট তরেৎ ফংদুনা গ্রুপ (এ) গী মকোক্তা লৈরি। গ্রুপ (বি) গী ওইনা এন.পি.এস.সি. মনিপুর সেন্ত্রেল জেলনা মেটচ মঙা শান্নবদা মঙামক মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরা ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈরি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা-কে.সি.বি.ও. কোংপালনা পি.এস.সি. খুয়াথোংবু ৱিকেট মঙাদা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা-ইপসা য়ুমাম লৈকাইনা

ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলবু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ষ্টেট লেবেল নাইন এ সাইট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সাইদা-ক্ষেত্রিগাউনা এন.এস.এফ.সি. নোংপোক সঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

খুমন লৈবাক-ময়াং ইম্ফালনা এ.এল.সি.সি.ও. চজিংবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। কে.এ.এল.ৱাই.সি. করাম অমদি কৈখু-এফ.সি. পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো তাখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা রাহি য়ু.সিনা নাকোবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সোসিএল স্পোর্টিং ক্লবনা সঙ্গাই হেরোজপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনৌবা ইমাগী মঙালনা ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।